ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯅꯨꯋꯔꯤ ꯲꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯰꯱ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জন্যুৱারী ২৯, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩০১শুবা মশীং

# কেবিনেটকী মীফম

### চীংগী দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকপসি তঙাইফদবা অমনি হায়না লৌবা ঙমদে

মণিপুরদা চীংমী-তম্মী মচিন-মনাওনি হায়জরগসু লৈঙাক্কী মপূং ফাবা থৌদাং ষ্টেট অসিগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা ফংদদুনা ৱারৌনবগী থৌদোক-ৱাথোক কয়ামরুম লৈখ্রে। মরুওইনা পোলিটিকেলগী মীৎয়েংদা তম্পাক্কী মীওইনা চীংগী চাউখৎ থৌরাংগী থাদগদবা শেনফমশিং লৌহৌরে হায়বা, তম্পাক্কী মীওইশিংনা চীংমীশিংগী লম মুনবীখিগদৌরে হায়বা তোকঙা কয়ানা চীং-তম অনীগী মরক্তা থাজনদবগী চাং হেনগৎলকপগী মচাক অমা ওইহনখি। মরুওইনা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদা চীং-তম নুংশিনদনবা শীনবা কাঙবুনা থাবা য়াইদা চীংমীসু, তম্মীসু পঙথখি। মদুনা মরম ওইরগা চীংমীশিংনা মরম চাবা ৱাফম অমা হায়রকপদা তম্মীশিংনা য়ানিংখিদে। তম্মীশিংনা মরম চাবা ৱাফম অমা হায়রকপদনা চীংমীশিংনসু মখোয়গী মায়োক্তা হায়রকপা ওইরবোই নীংনদুনা লান্না লৌনবগী থৌদোক-ৱাথোক কয়া অমা থোকখি। খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবদি খূৎলায় পায়বা লালহৌলূপ অমনা মণিপুর হায়বসি চীংমীশিংগী য়াওই হায়না লৌখিদে। মণিপুর লৈঙাকসু মীতৈগী লৈঙাকনি হায়না মখোয়না প্রোপেগন্দা তৌই। খূৎলায় পায়দুনা মীয়াম মরক্তা লৈবনা মখোয়না হায়বা, মখোয়না চিংবা মায়কৈদা মীয়ামসু অদুমক চৎপা তারকই। মখোয়বু মায়োক্লনবা মণিপুর লৈঙাক্কী মেন পাৱরশিং থাজিনবা ঙমখিদে। য়ান-য়ানবা লৈঙাকপগী মওংদা লৈরকপদগী কায়নথংদা মখোয়না হেন্না খূদোংচাবা লৌরকখি। পূন্নমক অসি নোংথোম্বম বিরেননা চীফ মিনিষ্টর ওইরল্লবা মতুংদা তপ্পা-তপ্পা লুপখিদুনা হৌজিক্তি চীংমী অমসুং তম্মীগী মরক্তা লৈরম্বা খেন্নবগী ৱাখল্লোনশিং অদু মনা-মনিল নাইনদ্রি। চীফ মিনিষ্টর অসিগী চীংদা চৎলু হায়বা খোল্লাউগী মখাদা লাপথোক্লরুরবা মরী শাগৎননবা হোৎনরকখি। মচিন-মনাওগী লাপথোক্লরুরবা মরী শাগৎননবা হোৎনবদা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফম ফম্বগী ৱাফম অসি লাকখিবনি। তশেংনমক্তি চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কেবিনেট মীফম ফম্বা অহানবদি নত্তে। লৈখিদ্রবা রিশাং কৈশিংনা লুচিংবা কোংগ্রেস লৈঙাক লৈরিঙৈদসু চীংগী দিষ্ট্রিক্টতা কেবিনেট মীফম ফমখিবগী থৌদোকশিং লৈখ্রে হায়না খঙহৌবশিংনা হায়নরি। চীংদা চৎলু হায়বা খোল্লাউগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী শরুক অমা ওইনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চৎলগা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফমশিং ফমখ্রে। অদুমকপু চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অয়াম্বদা মীফম ফমখ্রবসু চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খূদিংমক্তদি পাঙথোক্ত্রি । হন্দক্তসু কামজোং দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকখ্রে। ঙসিসু তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা লৈঙাক অসিগী অনীরকশুবা ওইনা কেবিনেট মীফম পাঙথোক্কদৌরি।

লৈঙাক অমদি লৈঙাক্কা নকশিন্ননা চৎমিন্নরিবা মীওই কয়ানা চীং-তমগী মরী হেন্না ফগৎহন্নবনি হায়দুনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফম ফম্বনি হায়বা তারগদি ৱাখল্লোন অসি ওন্ন-তৈনবনি হায়বা য়াই। তশেংনমক্কীদি কেবিনেট মীফম অসি চীংগী দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকপসি তঙাইফদবা অমনি হায়না লৌবা ঙমদে। অসিগুম্বা কেবিনেট মীফম অসিদা ষ্টেট অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশিনবা পুরক্কনি অমসুং থাজনবা হেনগৎলক্কনি হায়বা ৱাখল্লোন অসিসু অরানবা ওইগনি। নুংশিনবা অমসুং থাজনবা হায়বদুদি লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংনা ওইহনগদবনি। চীন্দনা চীংদা চৎলু হায়রগা থবক্লা চীংমীশিংগী য়াইফননবা করিমত্তা তৌবা ঙমদ্রগদি চীং চৎলু হায়রিবা মিসন অসিগী ৱাহন্থোক লৈতে। মচিন-মনাও ওইবগী মরী চেৎশিনহন্দুনা হেন্না নুংশিনবা হায়বদুদি থম্মোয়-থম্মোয়গী মরীনি। মরী অসি হেন্না নকশিন্নহনবা হায়বদুনা লৈঙাক্লা শেম্বা থৌশিল থৌরাংনা ওইহনগদবনি। ইন্দিয়ান য়ুনিয়ননা অপূনবগী শক্তম ঙাক্লনবনি হায়দুনা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফম অমুক ফাওবা ষ্টেট অমগী কোনুংদা ফম্বা লৈখিদে। মসিমক্লা তাক্লিবদি মণিপুরদা ষ্টেট কেবিনেটকী মীফম চীংদা ফল্লিবসিনা চীংমী-তম্মীগী নুংশিনবগী মরী পুরক্কনি অমসুং থাজনবা হেনগৎলক্কনি হায়বসিমদি অরানবনি। চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা চীংদা চৎলু হায়বা খোল্লাউগী মখাদা পায়খৎলিবা থবকশিং কয়াম য়াম্না খুমাঙ চাউশিন্না থবক্তা ওন্থোকপা ঙল্লিবগে হায়বদু ওইনা য়েংশিনহন্নিংই। মসিগীসু মথক্তা থা খূদিংগী চীংমী লুচিংবশিংগী নুমিৎনি হায়দুনা অখন্নবা নুমিৎ অমা পীদুনা মখোয়গী ৱাকৎশিং তাবগী থবক অদু মখা তানা চথহন্নিংই। থা খূদিংগী অমুক্তং ওইরবসু চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চীফ মিনিষ্টরনা চৎপীরগা মীয়ামগী ৱাকৎশিং তাদুনা লৈঙাক্লা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎলবদি চীংদা কেবিনেট ফল্লিবা অসিদগী হেন্না কান্নবা হায়বদু ওইগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০

১) মণিপুরী সাহিত্যদা ইহান হান্না এসে (রচনা) ইদুনা পুথোকখিবা অইবদু কনানো অমসুং লাইরিক্তুগী মমিং করিনো?

২) মণিপুরগী অহানবা এফ এ (কোন্না আই এ হায়না খঙনখিবা) পাস তৌখিবসি করম্বা চহীদনো?

৩) অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাও মতুংদা ইহান হানবা ওইনা মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক্তু করিনো, কনানা হন্দোকপনো অমসুং করম্বা চহীদা ফোঙখিবগে?

৪) ‘‘শজিবুগী চীংথ্রাউ মপাল’ হায়বা লাইরিকসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবদু কনানো?

৫) ‘‘হিজন হিরাউ’’ হায়বা অরিবা শৈরেংদা মথং নুমিত্তা য়ানগদৌরবা, তলা উরাই থাদুনা থম্লম্মবা পামেল তল্লা চাউথোইববু মথং নুমিত্তগী কায়নরগনি, কনবা ঙম্মরোইদো হায়না কপখিবা মমা অদু কনানো (করিনো)?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# দেল্লিদা হৌরিবা লৌমী ঈহৌগী মনিংদা লৈরিবসি কনানো?

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

লৌমীনা থা অনী থবক শুদনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা লৈবসিসু ঙসিদি উবা ফংলে। শম্না হায়রবদা থা অনী ময়ূমগী মীনা করি চারি, করি থক্লি হায়বা য়েংশিনবা ঙমদ্রবনি। লৌমীশিং অসি ময়ূমদগী থোক্লক্লগা থোয়দোক্লা লাপ্তুবা মফম অমদা ফম্বা ৱাকৎ মীফম নত্তে। ৱাকৎ মীফম্না দেল্লিদা ফম্বনি। অদুগা ৱাকৎ মীফম ফল্লিবা লৌমী ময়ামদুনা পঞ্জাব অমদি হরয়ানা ষ্টেটতগীনি। শম্না হায়রবদা ৱাকৎ মীফম ফম্বা লোইরগা নুংথিল ময়ূমদা হনগে হায়বা য়াবদুগুম্বা ফীভমদু নৎত্রে। পঞ্জাব অমদি হরয়ানাদগী লাক্লিবা লৌমীশিং অদু মশীং য়ামখ্রবজাৎনি। মদুনা দেল্লিদা থোমজিল্লকপদগী পুলিসনা দেল্লিগী বোর্দরদা চঙহন্দনা থিংদুনা থম্বনি। চঙবা য়ারোই হায়দুনা থিংবদগী মফমদুদা অদুমক হায়বদি হায়ৱে অদুদা ৱাকৎ মীফম ফম্ফম অদুমক ওইখ্রে। থা অনী শুখ্রে। লৌমী লিশীং কয়ানি মফম অদুদা টেন্ট খল্লগা অহিং য়ারেক্তুনা লৈরিবসি থা অনী হেল্লে। মফম অদুদা চাকশঙ শারে, চাক-এঞ্জাং থোংঙে, কোল-লিক ফেংবা, চাম্বা লোইনা তৌরে। ইরুজবা, খোঙহাম-খূৎহাম্বা অমদি চঙদবা য়াদ্রবা য়ূম অমগী লৈফম থোকপা কয়াৎ লোইনমক লৈরবনি। কদায়দনো ? বোর্দরগী হায়ৱেদনি। মসিবু তৌহৈবা থবক্লা হায়বদি হায়ৱে অদুদা মী লিশীং কয়া চৎলি, গাড়ী কয়া চৎলি। খন্দুনা অমুক্তা য়েংবীয়ু দেল্লিগী বোর্দরনিদনা লৈবাক অসিগী কোনুং । ষ্টেট পূন্নমক্তগী দেল্লিগা শম্নদবা লৈতে।

থা অনী ৱাকৎ মীফম ফমদুনা লৈবসিদা চারিবা-থক্লিবা চেঙ-চাক, হৱাই-চেঙৱাই, ঈশিং-মাইশিং ময়ামদু লৈননবা কনানা শেল পুথোক্লিবা? মদুবু লৌমীনা পুথোকপা ঙমগদ্রা? মশীং য়ামখ্রবা লৌমীনিকো খন্থবীয়ু। শেল পায়জদবদা লৌমীনি হায়নরিবনি। শেল মরাং কায়না পায়বা লৌমীসু অদুম লৈ। অদুবু শেল পায়রে হায়রগসু থা অনী ময়ূমদগী থোক্লক্লগা দেল্লিগী বোর্দরদা মদুসু মশা-মশাগী চান-থক্লবা পোৎ চৈ পুরক্লগা ৱাকৎ মীফম ফম্বগী ৱাখল্লোন অদু করিনো? মখোয়দা করি মাঙজবা, তোংজবা? থা অনীগী চঙগদবা শেনফমদু লৌমী মশা-মশানা পুথোকপা ঙমগদ্রা নৎত্রগা পুথোক্লিংগদ্রা? মতাং অসিদা ৱাফম অমদি থোক্লক্লিবসি অরায়বা নত্তে। লৌমীশিংনা তৌবা ঙল্লোইদবা থবক অমা থা অনী হেন্না লৌমীশিংনা তৌরগা লৈরি। মদুসু অতৈদা নত্তে ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তনি। লৌবুক্তা মহৈ-মরোং থারগা লৈজবা কাঙবুদুনা থা অনী হায়ৱেদা তূমদুনা, চাদুনা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা লৈবা ঙল্লিবসিনদি মখোয়গী মতুংদা অঙম্বা কাঙবু অমা ফৈগাক ফৈনা লেপ্তুনা লৈরবরা হায়বা ৱাফম অমা লাক্লি। করিগুম্বা লৈবা তারবদি কনানো, করিগীনো? অদুগা অমুকসু য়েংবা য়াই ৱাফম অমা লৈরিবসি কনাগী কান্ননবগীনো হায়বদি লৌমীশিংগীরা নৎত্রগা মতুংদা লেপ্লিবা মপাঙ্গল কনবা কাঙবু অদুগীরা? লৌমীনা ঙমগদবা থবক্লা য়েংবীয়ু মদুদি ৱাকৎ মীফম ফল্লিবা মফমদুদা চিক্কন বিরয়ানি চারে, য়ুঙাং থক্লে, হকচাং নম্নবা মী লৈরে, ডাক্তর লৈরে, হীদাক লৈরে, টি ভি থমদুনা য়েংবা ফংলে। ওন্থোকপা ৱাকৎ মীফম অমনি। মসিবু লৌবুক্তা মহৈ-মরোং থারগা হিংজরিবা লৌমীনা ঙমগদরা। লৌমীগী পুন্সি মহিং মায়কৈ অমদা ওন্থোকপীবগা মান্নরে। ৱাকৎ মীফম ফম্বা লোইরগা লৌবুক্তা কূম্বা তনবগী ফীভম অমসু লাক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে।

সেন্টরনা পুথোকপা ফার্ম বিলনা লৌমীদা করিসু অকায়বা লৈতে হায়বা লৈরে। হেন্নদুম লৌমীশিংদা কান্নবা হেনগৎকনি হায়বা লৈরে। অওনবা অমা পুরকপনি। লৌবুক্তা থাজবা মহৈ-মরোংদু মন্দি হায়না খঙনবা মফমদুদা য়োন্দবা য়াদে। লৌমীনা মশাগী পোৎথোক অদু য়োন্নিংবা মফমদা য়োনবা য়াদে/ঙমজদে। মসি গভর্ণমেন্টকী চৎন-কাঙলোন অমগী মখাদনি। মসিনা মরম ওইদুনা লৌমীশিংনা মন্দিনা লেপ্লকপা মমলগী মখা পোন্না পোৎ য়োনবা তাই। মসিদগী লৌমীশিংনা লৌবুক্তা থবক ৱানা শুরবসু হিংবগী থাক্তি থোইদোক্লা হেনগৎলক্তে। মন্দিগী মখাদা মহৈ-মরোং লল্লোনবগী থবক তৌবা মীওই কয়া লৈরি। মখোয়না মন্দি অমদি লৌমী অনীগী মরক্তা লেপ্তুনা শেন্দোং ফংনবা থবক কয়া তৌরি। পূন্নমক্তগী হেন্না কান্নবা, শেন্দোং ফংলিবা কাঙবুদি ময়ায়দা লৈরিবা লল্লোনবা কাঙবু অসিনি। মখোয়না লৌবুক্তা কূমদনা শেন্দোংদি লৌবুক কূল্লিবা লৌমীদগী হেন্না ফংই। মখোয় অসি মহৈ-মরোংগী মহাজন হায়বদুনি। মখোয়না লৌমীশিংদগী মমল নেম্না পোৎ লৌশিনগনি অদুগা মন্দিদা মমল ৱাংনা অমুক য়োনগনি। মখোয়না লৌমীদগী পোৎ চৈ লৌশিনবীদ্রবদি লৌমীশিংদি মহৈ-মরোংদু য়োনফম লৈতে। অদুনা লৌমীশিংদি য়াম্না তোল্লি। মদু পূন্নমক্তু য়াদনবা হায়দুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা বিল অদু পুথোকপনি। হায়রিবা বিল অসিদদি লৌমীশিংনা পোৎথোক্তু মন্দিদা য়োনগে হায়রসু য়ারে অদুগা য়োন্নীংবা মফমদা য়োনগে হায়রবসু য়ারে। শম্না হায়রবদা মনিং তম্বা পীরে হায়বনি। গভর্ণমেন্টনসু হান্নদগী অদুমক পীদুনা লাকপা লৌমীশিংদা য়াম্না কান্নরিবা মিনিমম সপোর্ট প্রাইজ হায়বদু অদুমক মখা  তানা পীখিগনি হায়রি। মসিনা মরম ওইদুনা লৌমীশিংগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি হায়বগী পান্দমনি। লৌমীশিংনা মশাগী লম পুথোকচরগা লন্নাই কম্পনিগা মহৈ-মরোং থাবগী থবক তৌজগে হায়বসু য়ারি। মসিদা কম্পনিনা লৌমীগী লম মুনখিনি হায়বগী ৱাফম করিসু লৈতে/য়াওদে। ৱাফম কয়া অসি লৈবাক্কী অখঙ-অহৈ কয়ানা হায়খ্রে।

গভর্ণমেন্টকা লৌমী লূপশিংগা তরারক হন্না ৱারী শানখ্রবসু বিলশিংদু হন্দোকখো হায়দুনা অদুমক লৈ। পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখিবদু হেক্তা হন্দোকপা য়াবা নত্তে, লন্নাইগী লৌমী লূপশিংনা হায়রগা। মন্দিখক্তদা হান্নগুম্না পোৎ য়োনবা য়াহল্লু হায়বসিনি। মদু মখোয়খক্তগী অপাম্বনি। হৌরিবা ঈহৌ অসি ইন্দিয়া পূম্বগী লৌমীনা হৌবা ঈহৌ নত্তে, পঞ্জাব অমদি হরয়ানাগী লৌমীশিংখক্তনা হৌবা ঈহৌনি। মন্দিদা পোৎ দলালি/ফৌমায় চারগা শেন্দোং ফংবা থবক তৌগে হায়বগী ঈহৌনি। মদুদা লৌমীশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবনি। লৈবাক ঈরাং হৌনবা শিনবগী মওংনি। সুপ্রিম কোর্টতা কেস তৌবসু য়াগনি হায়বগী অয়াবা ফাওবা গভর্ণমেন্টনা পীরে। শিরেখৈ খাঙদুনা লৈরে। রি পব্লিক দে নুমিৎতা ত্রেক্টর থৌদুনা রেল্লি চৎলগা অচৌবা ৱাথোক ওইরে। লাপখ্রবা পঞ্জাব, হরয়ানাদগী ত্রেক্টর মশীং য়াম্না থাউ তিংনা, শেল তিংনা থৌদুনা লাক্লগা দেল্লিদা রেল্লি চৎনবা থৌরাং তৌবা লৌমীনা ঙমগদ্রা? জিন খোঙগ্রাও শেৎপা নহা কয়া, মোটোর সাইকল, মমল য়াম্বা কার থৌদুনা ত্রেক্টর রেল্লি অদুদা য়াওরি। ত্রেক্টর কয়াদসু নহা কয়া তোংদুনা খোল্লাউ কয়া লাউরি। ত্রেক্টরনা পুলিস তক্কে তৌবা, থাঙশাংনা য়ানগে তৌবা য়াওরি। মসিদি লৌমীগী মচৎ নৎত্রে। লৌমীবু শেঞ্জাও পায়বা লল্লোনবা কাঙবুনা লান্না লমজিংলে, খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরে। রেদ ফোর্টতা নমদুনা থোমজিল্লগা লৌমীগী ফিরাল চিংখৎলুবগী ৱাহন্থোক করি? মনুংদা ফুমদুনা লৈবা লুরবা ৱাফম কয়া লৈরল্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। রিপব্লিক দে নুমিৎতা অতম্মনা করিগী ত্রেক্টর রেল্লি চৎনবা হোৎনরিবা রি পব্লিক দেগী মার্চ পাষ্ট চৎপগুম্না। গভর্ণমেন্টতা অচৌবা শীংনবা অমদি লৈরে। মসিদি লৌমীগী ৱাকৎ নৎলক্ত্রে। মসিদি লৈবাক মচেৎ তানবা ঈহৌ হৌবগা মান্নবগুম তৌরে হায়বা য়াই।

মণিপুরগী লৌমীশিংগী ওইনদি লৌবুক্তা ঈথৈ-লৌখোংগী মতেংনা ঈশিং ফংহন্নবা গভর্ণমেন্টতা কন্না তক্লবনা হেন্না ফগনি। গভর্ণমেন্টনসু লৌবুক্তা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনবা চুম্মী। লৌমী লূপশিংনসু লৌমীশিংবু চহী চূপ্পা মনা-মশিং থাবা ঙম্নবা পূন্না হোৎনমিন্নবা চুম্মী। লৌবুক্তগী মনা-মশিং য়াম্না লমদমসিদগী পুথোক্লবা হোৎনবগী থবক্তি গভর্ণমেন্টনা অহেনবা থবক কয়া তৌবা তারি। মহৈ-মরোং য়াম্না পুথোকপা ষ্টেটশিংদা মন্দি, এম এস পিগী চৎনবী লৈবনি। ইশাগী চানবা মহৈ-মরোং ফাওবা পুথোকচবা ঙমদবা মণিপুরদা মন্দি অমদি এম এস পিগী চৎনবী লৈতে। লমদমসিগী লৌমীশিং অমদি মীয়াম্না মসিগী মরমদা থোয়দোক্লা তাবা হায়বদু ওইদবনা পঞ্জাব অমদি হরয়ানাগী লৌমীশিংনা হৌরিবা ঈহৌদা য়াওদবনা চুম্মী হায়নীংই। লমদমসিগা চুনবা হীরমদা তৌবা য়াবা তৌবনা মায় পাক্কনি। ●

# শোঞ্জিল্লক্কনি খনবদা তনবা ফাওরকই

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

‘‘থাবুম তরা নাউপুদুনা ৱানা পোকচবা ইচানুপাশিং, লমদমসিদা মমা-মপা ওইবশিংনা অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা পোকচরুবগী মহয় য়ান্নরিব্রা? মহয় য়ানবদি লায়রদুনা, তাথী-তাওইনবু তৌবীদ্রদি ফরবনি, খন্নরকপসু য়াওরি। মতমসিদা ওইরক্লিবা ফীভমসিমক্লা পূক্নিংদা ৱাহং অমদি নমদুনা হংহল্লি। ৱাহংদুদি - হৌজিক্কানগী ইচা-ইমৌশিংসিবু পোকপীরুবগী ৱাহন্থোকশিং য়াওরিব্রা, শুপ্নতগী মখোয়বু মালেমসিগী মীকোক থিবদা য়াওহন্নবা অমদি মখোয়না মখা তারকপা মীরোলশিং শন্দোকহৌনবগীদমক, মখোয়বু পোকপীরক্লিব্রা, হায়বসিনি’’।...

মতমসিদা চৎনবী অমা ওইনা হেক পোকপীরকপা অমদি পোকপীরকপী মমা-মপা অনীমকপু অপোকপা মচানুপা অমদি মচানুপাগী নুপী (মমৌনুপী) মক্লা শোঞ্জিল্লক্লবা অমদি অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা তাথী-তাওইনা তৌবীবা, তোঙান্না পীজবা নৎত্রগা ওল্ড এজ সেন্টরনচিংবদা থম্বীবগী থৌদৌশিং তত্তনা থোক্লি। থৌদৌশিংসি চুল্লিব্রা? মতমসিদা চৎনরিবসিবু করিনো? ৱাহংসিগী পাউখুম পীনবগীদমক মতমসিগী মচা-মমৌ ওইবশিংনা শেম শাদুনা থম্নরিবা ৱাহৈশিংদুসু খঙনীংই। ইকায়বা হায়বসি মমায়দা অমুক্তা ফাওবা ফাওরকখিদ্রবা, শুপ্নগী খঙশিন-উশিন্নদবা অমদি তূমিন্না লৈথোকপা খক্তনা মখোয়গী হৈনবী ওইরবা, মালেমসি মখোয় অনী খক্লা লোয়জরবনি খল্লিবা, মচা-মমৌ ওইবশিংদুনা সিগুম্বা থৌদৌশিংসি মালেমসিদা মরা তানা লৈহৌনবা শন্দোক্লি। থৌদৌশিংসিনা ঙসিদি করি ওইরক্লবগে হায়বদু মখোয় মশামকশিংসু তারম্লগনি। মখোয়গী মতৌ তম্নবদগী ইরমদমসিগী য়ূমথোঙ খুদিংমক্তা অহল ওইরবা মমা-মপা, মনেম-মকু ওইবশিংবু নিংথিনা লুনা তৌবীবগী মহুক্তা চাকতোন-ফিদোনহনবা, তাথী-তাওইনা তৌবীবগী ৱারীশিংতনা পীক থনখ্রে। মখোয়গী লমচৎসি খক্তগী ৱারীনা মালেমসি নিল্লক্লে। ৱারীসি লোইশিনহনখিনবা ঙসিদি, লমদমসিগী মমা-মপা ওইরিবশিংনা অনৌবা খোঙথাং অমা থিদুনা খন্নহৌবা চুমগনি।

তাইবঙ মপুনা শেম্বীরকপা, তাইবঙ ফম্বাকথকসিদা লৈরিবা মীওই কাঙলূপ খুদিংমক মমা-মপা ওইবশিংনা মচা ওইবশিংবু অসুক্কী মতিক নুংশিজৈ অমসুং লুনা-চান্না তৌজৈ। মমা-মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু হেক পোকপগা, পিশক পিক্লিঙৈদগী হৌনা চাউবা মপূং ফাদ্রিবা ফাওবা য়োকপী-থাকপী অমসুং শিদ্রিবা ফাওবদসু মচাশিংবু নুংশিবগী মীনুংশিশিং মখোয়গী মথম্মোয়দগী খক থাপ্তোকখিদে। অদুগা চপ মান্নরা, মচা ওইবশিংগী মফমদসু মমা-মপা ওইবশিংবু নুংশিবগী কল্লবা মীনুংশি অমা তাইবঙ মপুনা পীবিরমদবা নত্তে। তৌইগুম্বসুং লুরিবদি, তাইবঙ মপুনা মচানুপা ওইবশিংগী মফমদা পীবিরম্বা মমা-মপা ওইবশিংবু নুংশিবগী মীনুংশিদু ঙসিগী তাইবঙসিদা মচানুপা ওইবশিংসিনা কদাইদা মাঙহনখ্রবগে অমসুং কদাইদা লোৎশিন্দুনা থমখ্রবগে হায়বসিনি। ঙসিগী মচানুপা ওইবশিংনা ময়ূম-মকৈ হেক পানখিবা মতুংদগী মমা-মপা ওইবশিংবু মীনুংশিগী চাং মতৌ করম্না হন্থখ্রিবনো অমসুং মমা-মপা ওইবশিংবু মীরাইনীংবগী ৱাখল্লোনশিংনা মতৌ করম্না হেঙ্গৎলক্লিবনো? ৱাফমসি মশীং থিঙমদ্রবা ঙসিগী মালেমসিগী মীওই কয়ামরুমগী ৱাহংশিংনি। ৱারীশিংসি খন্নরকপদা মতমসিগী মমৌনুপীগী শক্তম লৌরিবী মচানুপাগী লোয়নবী হৌজিক্কালগী মৌনহাশিং, মখোয়বু চেন্নরক্তবগী ৱাফমদি খক লৈরোই। মসিমক হায় হায়দুনসু, মালেমসিদা লৈরিবা মমৌনুপী ওইবী খুদিংমকপুদি ৱারীসিনা লোইনা কোনশিনবা খক নত্তে। অদুবু, মীশিং য়াম্বনা ভোট কাই হায়নবগুম, মতমসিগী মশীং য়াম্লবা মৌনহাশিংনা মনেম-মকু ওইবশিংবু থৌগল তৌনীংবদি লায়রদুনা, পীজবা ফাওবা পীজনীংদবা অমদি মখোয়গা লৈমিন্ননীংদবগী থৌদৌশিংদগী ঙসিগী মালেমসিগী মৌনহা খুদিংমকপু চেন্নরিবনি। ঙসিগী খুন্নাইসিদা, ময়ূম পাল্লবা মচানুপা অমদি মমৌনুপী ওইরিবশিং অয়াম্বনা, মমা-মপা নৎত্রগা মনেম-মকু ওইরিবশিংবু অহল ওইশিল্লক্লবা, শোঞ্জিল্লক্লবা মতমদা তাথী-তাওইনা তৌনরিবশিংসিগী মশীং থিঙমদ্রবা, মখোয়না চুম্মী খঞ্জবা মরমশিংসু লৈ।

মতমসিগী অওনবা-অহোংবশিংনা নহারোল অমদি অহল্লোন অনীগী মরক্তা অসুক্কী মতিক পুন্সি মহিংশিং খেন্নবগী ৱাখল্লোনশিং পুরকই। ৱাখল্লোনশিংসি মতমসিদা তশেংনা জেনরেসন (মপোক হাকথক) খেন্নবগী মতুংইন্না অয়াম্বসু থোকহল্লকই। অদুম ওইনমক, মতমসিগী নহারোল অমসুং অহল্লোন অনীমক্লা ঙল্লিঙৈদগী হৌনা খেন্নরিবা ৱাখল্লোনশিংগী থাকশিংসি খরা-খরা এদজষ্টমেন্টশিং তৌনবা ঙম্লম্লগদি ঙসিগী সোসাইটিসিদা থোক্লরিবা ইমুং অমগী অহল-লমন ওইবশিংগা মচা-মমৌ ওইবশিংগা ৱাখল্লোন তিন্নদবগী থৌদৌশিংসি খরা মখৈদি থোকপা হন্থরমগদবনি। ফীভমসিমক পঞ্জরিবসি, ফীভমসিদগী অহল ওইরক্লবা মতমদা মমা-মপা, মনেম-মকু ওইবশিংবু মচা-মমৌ ওইবশিংনা তাথী-তাওইনা তৌবীবা, তোঙান্না পীজবা নৎত্রগা অহলশিংগী তোঙানবা লৈফমশিংদা থম্বনচিংবা থৌদৌশিংসি থোক্লকপা য়াবগী মরমশিং অসুক্কী মতিক নক্লা লৈবদগীনি। অদুম ওইনমক, ফনা ওইদুনসু, মচা-মমৌ ওইবশিংনা মমা-মপা নৎত্রগা মনেম-মকু ওইবশিংবু অহল মতম ওইশিল্লক্লবা অমদি শোঞ্জিল্লক্লবা মতমদা মথক্কী  অসিগুম্বা থৌদৌশিংসি চথ্নবদি খক অচুম্বা ওইরোই। তৌবদি, থৌদৌশিংসি থোক্লকপা য়াবগী মরমশিং কয়ামুকসু লৈ পঞ্জখিবদুনি। ঙসিগী নহারোলশিং, থোইদোক্লা নুপা অমসুং নুপী অনীমক্লা ময়ূম-মকৈ পান্দ্রিঙৈ, মমা-মপা ওইবশিংগী মখাদা নাইতোম ওইনা হিংনরিঙৈ মতমদা, কৈদৌঙৈদসু খক মখোয়-মখোয়গী মশাগী অশেংবা পুন্সি মহিংশিংগী মরমদা থোইনা খন্থরুবা তৌনদে। খল্লবসু, মখোয়-মখোয়গী অশেংবা য়ূম অমা ইষ্টাব্লিশ তৌদুনা হিংবা নৎত্রিবনিনা থোইদোক্লা হেঞ্জিন্না খঞ্জিন্নরুবগী ৱাফমশিং লৈনরমদে। তৌইগুম্বসুং, মখোয়না য়ূম্বান লম্বীশিংদা হেক চঙখ্রবা মতুংদগীদি মখোয়না মখোয়তগী ওইবা পুন্সি মহিং অমা খুন্নাইসিদা তোঙান্না, ঙল্লিবা মখৈ মীমাঙ থোক্লা, ৱাংনা অমসুং তরং-তরংনা উৎনীংলকই। হীরমশিংসিদগী ময়ূম-মকৈ হেক পানবগা মতমসিগী নহারোলশিংনা খোঙজেল য়াঙনা, কনামত্তগা লোয়ন-তিন্নদনা, মরন্নাইগী ওইবা য়ূম অমা নৌনা ইষ্টাব্লিশ তৌদুনা মখোয়তগী ওইবা পুন্সি মহিংদা হিংনীংলকই। মমা-মপা ওইবশিংগী হৌজিক ওইরিবা ষ্টেন্দর্দ অমদি পুন্সি মহিং, মতমসিগী ওইবা ৱাখল্লোনশিংদগী খজিক-খরাক শোথ্ননা নৎত্রগা খেন্ননা হিংবা মওংশিংদা, মচা-মমৌ ওইবশিংনা কৈদৌঙৈদা খক মমা-মপা ওইবশিংদুগা পূন্না লৈমিন্ননীংদে অমসুং লোয়ননীংদে। মায়কৈ অমরোমদনা, মমা-মপা নৎত্রগা মনেম-মকু ওইরিবশিংনা অহল মতম ওইশিল্লক্লবা অমদি শোঞ্জিল্লক্লবা মতমদা, মচা-মমৌ ওইরিবশিংগী থৌগলগা লোয়ননা মীমাঙদা লেন্নবগুম হিংজবা পুন্সি মহিংশিং পাল্লকই। ফীভমশিংসিদা, মমা-মপা ওইরিবা অনী অমসুং মচা-মমৌ ওইরিবা অনীমক্কী ৱাখল্লোনশিং অসুক্কী মতিক মায়কৈ অনীমক্তা খেন্নবশিং ওইরকই। থৌদৌশিংসিনা ঙসিগী খুন্নাইসিদা মমা-মপা নৎত্রগা মনেম-মকু ওইরিবশিংবু মচা-মমৌ ওইরিবশিংনা হেক-হেক লাপথোক্লবগী মরমশিং ওইহল্লকই। থৌদৌসিদা হায়রবদি তশেংনমক মচা-মমৌ ওইবশিংগী ৱাখল্লোনশিংসি লানফম থোকই। পোকপীরিবা ইমা-ইপা হায়বসি খক অনী শুফম থোক্তে। মখোয়বু মীনুংশি ফাওদবা হায়বসিমক অচুম্বা থৌওং খক ওইরোই  অমসুং থৌদৌশিংসিদা মচা-মমৌ ওইবশিংনা শোয়দনমক্কী খন্থফম থোকই।

‘‘ইমা-ইপা অনীদি মিৎনা উবা লাইনি’’ - মতমদুগী মপি লাইরিক্তা তম্লকখিবশিংদুবু ঙসিদি লাল্লম্লগদ্রা?... ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।